# ভেটরান ফুটবোল্লর অমা ওইনা সী সী মীটকী হৌখ্রবা নুংঙাইখিবা মতমশিংদু ঙসি ফাওবা কাউবা ঙমদে : লৌরেম্বম শ্যামা



লৌরেম্বম শ্যামা
(ভেটরান ফুটবোল্লর)



**রত্নেশ্বরি গোশ্বামী**

**অকাউ পরৈ চল্লুরবশিং**

সী সী মীটকী শেম শাবা হৌরক-পা, সন্তোস ত্রোফিনচিংবগীদমক মণিপুর টিম শেম্নবা হোৎনরকপসি উবদা মতম অমগী ভেটরান শান্নরোয়শিং কাউথোকপা ঙমদে। মণিপুরগী লময়ানবা ফুটবোল্লর-শিংদা করি করম্বা ৱাখল্লোন ফাওরিবগে হায়বদু পাউদমজনবা, ঙসিসু নৌহৌননা মতম অমগী ভেটরান ফুটবোল্লর ওজা লৌরেম্বম শ্যামা উন্নজরুই। কুমজা ২০১২গী দিসেম্বর ২০দা উনজদুনা ৱারী-ৱাতাই তৌনজখিবা ওজা শ্যামা, ঙসিদি মশাগী চহী ৮৩ হায়রক্লে। অদুবু শান্নরোয় ওইনা অনা অয়েক্তি য়াওহৌদ্রি। অহল ওইশিল্লকপগী শিংলি-নাওরি খরদং শোন্থরক্লবসু ফুটবোলদা ঙাওজবগী নিশাদি হৌজিকসু চপ চানা লৈহৌরি।

অহানবা ওইনা সী সী মীটকী মতাংদা অসুম্না ফোঙদোকপীরকখি- সী সী মীট হায়বসি হেক পল্লকপদা মীৎসিদা মপান কাংজৈবুংসি হেক্তা ফন চোঙথোরকই। ঐখোয়গী মতমদদি সী সী মীট হায়খ্রগা লোইরে। কুম অমগী সী সী মীট নকশিল্লক্লবদি ক্লব ময়ামসিনা থৱায় য়াওনা হোৎনবসি অরোইবীদনি। হৌখিবা চহী খরসিদা সী সী মীটকী ঈহৌ হন্দ্রকখিবসি য়াম্না নুংঙাইতে। অহল লমনশিংনা থৱায় হকচাং য়াওনা হোৎনদুনা থম্বীরম্বা টুর্নামেন্টশিং অসিদি ঐখোয়নসু মাঙখি-তাখিদনবা হোৎনগদবনি।

মণিপুরদা সী সী মীট মতম চানা পাঙথোকপা ঙমদবসিদি য়ারিবমখৈ থোকহল্লোইদবনি। ঙসিগী ইচা-ইশুশিংগী থাক অসি য়ৌননবা হোৎনরকপদা কারকখিবা কৈরাকশিং ঐখোয়না খক কাউবা য়াদে। ইপাহোয়দি নোবাব কাওরগা হৌরকখিবনি। অঙাং ওইরিঙৈ, চীংঙামখা স্কুলদা এম ঈ তন্নিঙৈ মতমদা ঐখোয়না ফুটবোল পামজরকপদগী অহানবা ওইনা কাওদুনা শান্নজরকপসিদি নোবাবতা ঙাক্তনি। সী সী স্কুলদা ক্লাস সভেন তম্বা মতম অদুৱাইদগী খোঙউপ বুট মরীনা লোনবা ফুটবোলসি খরা খরা শান্নবা ফংলকখি। মতমদুদা সী সী স্কুলগী গেট মাষ্টর ওইখিবা শৌগ্বাইজমগী ওজা বিরেন কাউবা ঙমদে। ঐহাক্না সী সী মীটতা ইহান হান্না য়াওদুনা শান্নজরকখিবা ক্লবসিনা নাকো ক্লবতনি। হায়রিবা ক্লবতুদা ঐহাক কুমজা ১৯৫৫তগীনা ১৯৬১ ফাওবা শান্নজরকখি।

কুমজা ১৯৬০দা নাকো টিম অসি সী সী মীটকী চেম্পিয়ন লৌখিবনি। মণিপুরগী লোকেল ক্লবশিংগী মনুংদগী সী সী মীটতা অহানবা ৱিন্নর ওইখিবা ক্লবসিসু নাকোনি। মণিপুর মচানা ফুটবোলদা ঙাওজবসিদি সী সী মীটকী মতমদুদা ময়েক শেংনা উবা ফংই। মতমদুদা লৈখিবা ৱেভতু অঙকপনি। মীয়ামসিসু কৃক-কৃক ইন্নৈ। বোল নুংঙাইগদবা অরিঙবা টিমশিং শান্নগদবা নুমিৎসিদি টিকেটকা ফংনবা নত্তে। মপান কাংজৈবুংসি মীয়াম চোন্না তিল্লিবনি। হৌজিকসিনা খংহাই হাইথখ্রগা লৈখ্রিবসি অঙকপদুম পোকই।

মতমগী অওনবনি হায়রগসু, খরা খরা চেকশিন্না ঙাক শেন্দুনা থম্বা য়াবশিংদি ঐখোয়নসু থম্লনবা হোৎনহৌগদবনি। অদুগা মতমগী মতুং ইন্না লাকপশিংদুগা ইরোইননা চৎমিন্নগদবনি। ফুটবোলদা ফবসিদি ঐখোয়গী মতমদসু মীথোই মীহেনবা অদুম থোকখি। ঐখোয়গা মতম অমত্তদা শান্নমিন্নরকখিবা ক্বাকৈথেলদগী লাইশ্রম নব মহাক্সিসু মশাগী তোপ তোপ্লা ষ্টাইল অমা লৈজখিবা মীশকনি। নবনা সী সী মীটতা কাওখিবা খোঙ য়েৎনবু ওইরো, খোঙ ওইনবু ওইরো গোল অমত্তা শোয়খিবা নত্তে। ষ্ট্রাইক্করদা মানা শান্নখিবা খৃৎশান্না হৌজিক ফাওবা মীৎসিদা শং-শং উরি। অদুগা ইপাগীদি মরু ওইনা শান্নজখিবা পোজিসনসি, দিফেন্স লাইননি। হাফতা ওইরো, সেন্টরদা ওইরো দিফেন্সকী পোজিসন লোইনমক্তা শান্নজরকখি। ঐগীদি চেক্তা চেকশিল্লক্লগা য়াম্না খৃৎলোয়না হৈনজবসিনা হেদ্দিংনি। বোল ৱাংনবু লাক্লবদি হেদ্দিংনা অয়াম্বা শান্নজরকখি। কোন্নথংদদি হেদ্দিংদা হেন্না ফোর্ম তাবা শান্নরোয় অমা ওইরক্তুনা শ্যামাগী হেদ্দিং হায়নফাওবা মীয়াম্না খঙনবীখি। ঐখোয়গী মতমদদি হৌজিকতৌনা ত্রেন তৌরুরবা কোচনা তম্বীবগসু নত্তে। সেনিয়র প্লেয়রনা খরা তাকপীবা, এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা থাদুনা নুমিৎ ১৫রোমগা মপান্দা ত্রেনিং তৌরুবা, গেম মাষ্টরশিংনা স্কিল খরা তম্বীবা, মদুদগী থোইনা হেন্না তাকপী তম্বীরকপসু নত্তে। ক্লব ক্লবকী ওইনা লৈরিবা ঐখোয় ময়ামসি পুনশিল্লগা প্রেক্টিশ তৌমিন্নবা অদুমঙাই। সী সী মীট অসিমদি মণিপুরগী খ্বাইদগী চাউবা মরু ওইবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ওইনা লৌনবনিনা চেম্পিয়ন ওইহৌনবা মসিমদি য়াম্না কন্না হোৎননৈ। নহা অহল, নুপী অঙাং খাক্তুনা সী সী মীটসিদি মীয়াম হুপ্না লোইনমকসু য়েংই। অঙকপা অমনি। -মথং-মথং

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৮৭


১। ক্রিকেট শান্নবদা মমিং চৎলবা ওষ্ট্রেলিয়াগী দোনাল্ড ব্রেদমেন ইন্দিয়াদা অমুক্তা লাকখিদ্রি অদুবু মহাক্কী নুপী জেশী ব্রেদমেনদি ইংলেন্দা চৎপা মতমদা বোম্বে (মুম্বাই) গী হিথাংফমদা মহাক্কী জহাজ অদু খামদুনা লৈরিঙৈদা ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা ক্রিকেট শান্নরোয় অমনা হরাউনা ওকপীখি। শান্নরোয় অদু কনানো?

২। রাহুল দ্রাভিদনা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট কেপ্তেন ওইরিঙৈদা টেষ্ট মেচ শান্নবদা পাঞ্জল থোয়নখিদবা হায়বদি দ্রো ওইখিবগী মশীং অদু চাদা কয়ানো?

৩। ওলিম্পিক গেমস চহী ৪/৪ লৈরগা পাঙথোকই। নেমিয়া গেমস চহী কয়া কয়া লৈরগা পাঙথোক্লম্মী?

৪। মহাক হোনোলুলুগী প্রিনসেসরুথকী কোনুংদা পোকপা মতমদা ইংলেন্দগী নিংথৌ মচানুপা অনীশুবা দিউক-ওফ-ইন্দিনবরা ঈথৎ অদু য়েংবা লাকখি। মহাক ওলিম্পিক্কী ইরোইবদা সনাগী মেদল ফংখি। মহাক্কী মমিং পীয়ু।

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো?



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জন্যুৱারী ৩০, য়ুমশকৈশ নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

অহানবা লেট এলাংবম পিশক সিংহ মেমোরিএল ষ্টেট লেভেল মেন্স ওপন বোল্লিবোল

## ৱাই দি ও, ৱাই এম দি ও, এ আর সী, এম পি এস সী সেমী চঙখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৩ (ঐচএন এস)ঃ ওল মণিপুর বোল্লিবোল এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা পি এ এল ৱাই দি এ ক্লবনা শীন্দুনা ক্লব অসিগী শান্নবুংদা চথরিবা অহানবা লেট এলাংবম পিশক সিংহ মেমোরিএল ষ্টেট লেভেল মেন্স ওপন বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯দা ৱাই দি ও সোরা, ৱাই এম দি ও হৈরাঙ্গোইথোং, এ আর সী, এম পি এস সী মণিপুর পুলিস মায় পাক্তুনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

টিম কয়ানা শরুক য়াদুনা চথরিবা অহানবা লেট এলাংবম পিশক সিংহ মেমোরিএল ষ্টেট লেভেল মেন্স ওপন বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী লীগ রাউন্দগী মখা চথরকপা মেচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা ৱাই এম দি ও হৈরাঙ্গোইথোং অমসুং আই জি ও ওইনাম লম্বা তৌনখি। মেচ অদু টিম অনীনা মায় পাক্লবগীদমক অহানবা সেটতগী মায় পাক্লবগীদমক অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নখি।

মেচ অদুগী অরোইবা সেট লোইশিনখিবগা লোয়ননা ৱাই এম দি ওনা আই জি ওবু সেট ৩-১ (২৫-২১, ১৮-২৫, ২৫-১৬, ২৫-১৯) দা অমদি ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা ৱাই দি ও অমসুং এম পি এস সী শান্নখিবা মেচ অদু ৱাই দি ওনা এম পি এস সীবু সেট ৩-১ (২৬-২৪, ২৫-২৩, ২৫-২৭, ২৫-১৮) দা মায়থীবা পীখি।

ষ্টেট লেভেল মেন্স ওপন বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী লীগ রাউন্দগী মেচশিং লোইশিনখিবগা লোয়ননা মখা চথরকপা মেচ ওইনা অহানবা সেমী ফাইনেলদা ৱাই দি ও অমসুং ৱাই এম দি ও, অনীশুবা সেমী ফাইনেলদা এ আর সী অমদি এম পি এস সী লম্বা তৌনরগনি।

৩শুবা ঐচ বিরো এন্দ ব্রোজেন মেমোরিএল অন্দর-১৩ ষ্টেট লেভেল ফুটবোল

## অমোফা একাদেমি-এনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৩(ঐচএন এস): অমোফা একাদেমি মোইরাংনা শীন্দুনা মোইরাং মল্টিপর্পজ হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী শান্নবুংদা থা অসিগী ১৩দগী হৌদুনা চথরিকখিবা অহুমশুবা ঐচ বিরো এন্দ ব্রোজেন মেমোরিএল অন্দর-১৩ ষ্টেট লেভেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯দা অমোফা একাদেমি-এ মোইরাংনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

টিম ৮না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ অনী থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোকখিবা ঐচ বিরো এন্দ ব্রোজেন মেমোরি-এল অন্দর-১৩ ষ্টেট লেভেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ লোইশিনবগী থৌরম অদুদা মোইরাংগী সোসল ৱার্কর অমদি টুর্নামেন্ট অসিগী দোনর ঐচ তোম্বোই, অমোফা একাদেমি মোইরাংগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ বিরবলনা মথংশিৎনা চীফ গেষ্ট অমসুং প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুগী অরোইবা মীৎকুপ লোইশিল্লকপদা টিম অনীনা পাঞ্জল ১-১দা লৈনদুনা টাই ব্রেক তাবদগী পেনালটি কাওনখি। পেনালটি কাওনবদা অমোফা একাদেমি-এনা এস এফ সী শুগুনুবু পাঞ্জল ৮-৭তা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী বেষ্ট প্লেয়রনা অমোফা একাদেমি-এগী ঐচ রাজ হায়েষ্ট স্কোররনা আর এ এফ এ থিনুঙ্গৈগী জোন, বেষ্ট দিফেন্দরনা এস এফ সী শুগুনুগী বোরিস অমসুং বেষ্ট গোলকিপরনা অমোফা একাদেমি-এগী হরিসনা তাখি। চেম্পিয়ন ওইখ্রবা টিমদা ত্রোফি য়াওনা শেলগী মনা লুপা লিশীং ২০, রন্নর্স-অপ তাখ্রবা টিমদা ত্রোফি য়াওনা শেলগী মনা লুপা লিশীং ১০ অমদি তোঙান তোঙানবা টাইটল ফংখ্রবা শান্নরোয়শিংদা ত্রোফিনচিংবসু খূৎশিন্নখি।

## মণিপুরগী সব জুনিয়র টাইক্বান্দো টিম হায়দরবাদগীদমক ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৩(ঐচএন এস): হায়দরবাদকী গাচিবাওরিদা লৈবা জি এম সী বালাযোগী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ২৭তগী ৩০ ফাওবা পাঙথোক্লদৌরিবা ৩৫শুবা নেসনল সব জুনিয়র কিওরুগী অমসুং ৯শুবা নেসনল সব জুনিয়র পুমসে টাইক্বান্দো চেম্পিয়নশিপ ২০১৯দা শরুক য়ারুগদবা মণিপুরগী সব জুনিয়র টাইক্বান্দো টিম ঙসি খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতগী হায়দরবাদ-কীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

নেসনলগী থাক্তা পাঙথোক্লদৌ-রিবা চেম্পিয়নশিপ অসিদা মণিপুরগী সব জুনিয়র টাইক্বান্দো শান্নরোয়শিং অদুদি কিওরুগীদা এল দাইমন্দ, লাইশ্রম রোহিট, সলাম তোনতোনবা, এল সুরচন্দ্র, সনাচান্দ নোংথোম্বম, মৈত্রম সেমসন, অহন্থেম পৃথিরাজ, চঙাংবম নিখল, শৌগ্রাকপম রিকিসন, কাঙুজম জেনিস, ইরুংবম সচিন, লৈতান্থেম রোহিট, লৌরেম্বম লিন্থোইঙম্বী, টেজশ্রী পাওনম, টি ভৈগ্যশ্রী, কে সোনিয়া, লাইশোম এলিভিয়া, এল য়াইফলেম্বী চনু, সঞ্জেনবম লনচেনবী, তেলেম রেজিয়া, হাফিজা খাতুন অমসুং সাইরেম তানিয়ানি। পুমসেগী ইন্দিভিজুএল ইভেন্টতা অহন্থেম পৃথিরাজ অমদি য়ূম্নাম জিবর চনু অমদি পেয়র বোইজ ইভেন্টতা অহন্থেম পৃথিরাজ অমসুং পেয়র গর্লসকী ইভেন্টতা এল রোজি চনুনি। গ্রুপ বোইজ ইভেন্টতা অহন্থেম পৃথিরাজ, রাজকুমার লিওকান্ত অমদি কোরৌঙানবা নোংথোম্বমনি।

গ্রুপ গর্লসকী ইভেন্টতা য়ূম্নাম জিবর চনু, খ্বাইরাকপম দিনেশ্বরি অমসুং সাপম য়াইখোম্বীনি। মণিপুরগী সব জুনিয়র টাইক্বান্দো টিম অসিবু লুচিংগদৌরিবা ওফিসলশিং অদুদি নুপাগী কিওরুগী কোচতা এস ঐচ রোজেস, নুপীগী কিওরুগী কোচ ওইনা এন দাইনা অমসুং মেনেজর ওইনা পাওনম সুন্দরনি।

## এ কে এস এ অমদি এম পি টু ৱাই এ ফাইনেলদা থেঙ্গাইনরগনি



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৩ (ঐচ এন এস)ঃ দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন (দি এস এ) বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা বিষ্ণুপুরগী মিনি ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্লিবা ১৩শুবা এন বলানন্দা মেমোরিএল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৮গী ফাইনেলদা এ কে এস এ অমদি এম পি টুৱাই এ ফাইনেলদা থেঙ্গাইনরগনি।

টিম ১১না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ ২ থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোক্লিবা ১৩শুবা এন বলানন্দা মেমোরিএল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৮গী লীগ রাউন্দগী অরোইবা অমদি ২৯শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা এস ঈ ভি এ নরানসৈনা অমসুং ও এস এ ওইনাম লম্বা তৌনখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীনা পাঞ্জল চন্নদনা ০-০দা লৈনখি।

অনীশুবা হাফকী ৩৮শুবা মিনটতা সেভাগী জর্সি নম্বর ১৭ ও জোনসন্না চনখিবা পাঞ্জল অদুনা মেচ অদু সেভানা পাঞ্জল ১-০দা মায় পাকখি। লীগ রাউন্দগী মেচশিং লোইশিনখিবগা লোয়ননা গ্রুপ এগী কাঙলূপ্তা এ কে এস এনা ৱিন্নর অমদি গ্রুপ বিদা এম পি টু ৱাই এনা ৱিন্নর ওইদুনা ফাইনেল চঙখিবনি।

অনীশুবা হৈবোক টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯

## পি টি আর সীনা কে আই ৱাই সী অমসুং ক্রাওনা টি সী এম দি সীবু মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৩ (ঐচএন এস)ঃ মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসন (এম সী এ) গী মখাদা লংথবাল স্পোর্টিং ক্লব (এল এস সী) লংথবালনা শীন্দুনা লংথবাল মন্ত্রিখোং মখা লৈকায়দা লৈবা লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লিবা অনীশুবা হৈবোক টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচশিংদা পি টি আর সীনা কে আই ৱাই সী অমসুং ক্রাওনা টি সী এম দি সীবু মায়থীবা পীখ্রে।

টিম ২০না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ ৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোক্লিবা অনীশুবা হৈবোক টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯গী লীগ রাউন্দগী তরুকশুবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ূক অহানবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ দিগী পি টি আর সী অমসুং কে আই ৱাই সী লম্বা তৌনখি। মেচ অদু পি টি আর সীনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং তৌখি। অদুগা কে আই ৱাই সীনা বোল্লিং তৌখি। অহানবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা পি টি আর সীনা ওভর ২০দা ৱিকেট ৪ তুরগা রন ১৪৭ লৌখি। পি টি আর সীগী রিঞ্জুনা বোল ৩৮দা রন ৫৩, জেমিসন্না বোল ৫২দা রন ৪৫ অমসুং সৌরবনা বোল ২০দা রন ২৩ লৌখি। অহানবা ইন্নিংসতা বোল্লিং তৌখিবা কে আই ৱাই সীগী অবদুল হমিদনা ওভর ৪ লংবদা ৱিকেট ২ অমদি অবদুল রহিমনা ওভর ৩ লংবদা ৱিকেট ২ লৌখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা কে আই ৱাই সীনা ওভর ১৭.৫দা ৱিকেট লোইনা তুরগা শুপ্নতগী রন ৮২ লৌদুনা মেচ অদু পি টি আর সীনা রন ৬৫দা মায় পাকখি। ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা ৱিকেট ৩ লৌবা ঙমখিবা পি টি আর সীগী জোতিন্না মেন ওফ দি মেচ তাখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৭শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিলগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ এগী টি সী এম দি সী অমদি ক্রাও শান্নখি। টি সী এম দি সীনা টোস ঙমদুনা অহানবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখি। অহানবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা টি সী এম দি সীনা ওভর ২০দা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ১০৪ লৌখি। অনীশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা ক্রাওনা ওভর ১৭.৩দা ৱিকেট ২ তুরগা রন ১০৬ লৌদুনা মেচ অদু ক্রাওনা ৱিকেট ৮দা মায় পাকখি। ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা ৱিকেট ৩ লৌবা ঙমখিবা ক্রাওগী অজয়না মেন ওফ দি মেচ তাখি।

৩শুবা পুপু কপ ষ্টেট লেভেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট

## কে এফ সী খুরাই অমদি মরুপ এফ সী হৈরোক মায় পাক্তুনা সেমী ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৩ (ঐচএন এস)ঃ দি পেরদাইস য়ুনিয়ন পুংদোংবম (পুপু) না শীন্দুনা পুংদোংবমগী শান্নবুংদা থা অসিগী ২৮ ফাওবা চথগদৌরিবা ৩শুবা পুপু কপ ষ্টেট লেভেল অন্দর-১৭ নাইন মেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচশিংদা কে এফ সী খুরাই অমদি মরুপ এফ সী হৈরোক মায় পাক্তুনা সেমী ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

টিম ১৪না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ ৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা লীগ রাউন্দ বেসিসতা পাঙথোক্লিবা ৩শুবা পুপু কপ ষ্টেট লেভেল অন্দর-১৭ নাইন মেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা কে ৱাই এফ এ কোইরেঙ্গৈ অমসুং কে এফ সী খুরাই শান্নখিবা মেচ অদু কে এফ সী খুরাইনা পাঞ্জল ১-০দা মায় পাক্তুনা সেমী ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে। অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা মরুপ এফ সী হৈরোক্না ৱাই দি সী এল পুংদোংবম্বু পাঞ্জল ৪-২দা মায়থীবা পীরন্নগা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

৮শুবা হরাওরৌ ত্রোফি ভিলেজ ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট

## ৱাই এম সী-এ, সী ঐচ য়ু ৱাই সী, ঈ য়ু এস সী, পি জে পি সী, স্কাই, ৱাই এম সী-বি, লমলাই এফ সী, ৱাই দি ও ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৩ (ঐচএন এস)ঃ ৱাই এম সী হরাওরৌনা শীন্দুনা ৱাই এম সীগী শান্নবুংদা চথরিবা ৮শুবা হরাওরৌ ত্রোফি ভিলেজ ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী লীগ রাউন্দগী মেচশিং লোইশিনখিবগা লোয়ননা ৱাই এম সী-এ, সী ঐচ য়ু ৱাই সী, ঈ য়ু এস সী, পি জে পি সী, স্কাই, ৱাই এম সী-বি, লমলাই এফ সী অমদি ৱাই দি ও ক্বার্টর ফাইনেল লাইন অপ তৌখ্রে।

টিম ২০না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ মরি থোক্লা খাইদোক্লগা পাঙথোক্লিবা ৮শুবা হরাওরৌ ত্রোফি ভিলেজ ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী লীগ রাউন্দগী ৩৮শুবা মেচ ওইনা ঙসিগী অহানবা মেচতা বোলেরো সেক্তানা মঙাল এফ সীবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে। লীগ রাউন্দগী ৩৯শুবা মেচতা সেক্তা এফ সী লাক্তবদগী লমলাই এফ সীনা ৱাক ওভর ফংখি। ৪০শুবা মেচতা স্কাই সিনাম কোমনা ৱাই এম সী-বি হরাওরৌবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীখি।

ফুটবোল ত্রোফি অসিগী লীগ রাউন্দগী ৪১শুবা অমদি অরোইবা মেচ ওইনা ঙসিগী অরোইবা গ্রাউন্দদা ঈ য়ু এস সী তেলৌ অমসুং বোলেরো সেক্তা-বি লম্বা তৌনখি। মেচ অদুগী অহানবা মীৎকুপ্তগী লোইবা ফাওবদা ঈ য়ু এস সী তেলৌনা বোলো সেক্তা-বিবু লাকশিন্দুনা শান্নখিবনা মেচ অদু ঈ য়ু এস সীনা পাঞ্জল ৩-০দা মায় পাকখি। ঈ য়ু এস সীগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু এস নোবেল, টি ঐচ রমানন্দ অমসুং জিতেন্না চনখিবনি।

৩শুবা ষ্টেট লেভেল মোইরাংথেম কুঞ্জো সিংহ মেমোরিএল ফোর মেন সোকর টুর্নামেন্ট

## আর এফ সী ক্যামগৈ, আর এফ এ তোপ সিফাই অমসুং এফ দি এস শিংজমৈ মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৩ (ঐচএন এস)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী উচেকোন তাখোক মপালদা লৈবা দি পাওনা মেমোরিএল ক্লবনা শীন্দুনা ক্লব অসিগী শান্নবুংদা চথরিবা অহুমশুবা ষ্টেট লেভেল মোইরাংথেম কুঞ্জো সিংহ মেমোরিএল ফোর মেন সোকর টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচশিংদা আর এফ সী ক্যামগৈ, আর এফ এ তোপ সিফাই অমসুং এফ দি এস শিংজমৈ মায় পাকখ্রে।

টিম ৪৩না শরুক য়াদুনা গ্রুপ ১৪ খাইদোক্তুনা চথরিবা অহুমশুবা ষ্টেট লেভেল মোইরাংথেম কুঞ্জো সিংহ মেমোরিএল ফোর মেন সোকর টুর্নামেন্ট ২০১৯গী লীগ রাউন্দগী ৩৪শুবা মেচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা পি এম সী-এ তাখোক মপান অমসুং আর এফ সী ক্যামগৈ লম্বা তৌনখি। মেচ অদুগী অরোইবা মীৎকুপ লোইশিল্লকপদা আর এফ সীনা পি এম সী-এবু পাঞ্জল ৪-০দা মায়থীবা পীখি। আর এফ সীগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু রাজনা পাঞ্জল ২, অবুং অমদি লৈঙাকপনা পাঞ্জল অমমম চনখি। লীগ রাউন্দগী ৩৫শুবা মেচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা সেয়ো শিংজমৈ অমসুং আর এফ এ টোপ সিফাই শান্নখি। মেচকী ৭শুবা মিনটতা ইমরান খানন্না চনখিবা অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদুনা মেচ অদু লোইশিল্লকপদা আর এফ এ টোপ সিফাইনা সেয়ো শিংজমৈবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী লীগ রাউন্দগী ৩৬শুবা মেচ ওইনা ঙসিগী অহুমশুবা গ্রাউন্দদা এফ দি এস শিংজমৈ অমসুং নিঙোমথোং এফ সী অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নখিবা মেচ অদু এম টি এসনা নিঙোমথোং এফ সীবু য়াম্না লাকচনা পাঞ্জল ৬-১দা মায়থীবা পীখি।

লীগ রাউন্দগী ৩৭শুবা মেচ ওইনা ঙসিগী অরোইবা গ্রাউন্দদা সী ঐচ দি আর ও চোঙাবী অমসুং রেহান এফ সী ৱাংজিং শান্নগদবা মেচ অদু রেহান এফ সী ৱাংজিং লাক্তবদগী সী ঐচ দি আর ও চোঙাবীনা ৱাক ওভর ফংখ্রে।